# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 25-12-2024)**

**গভনর (এল)ঃ** কেন্দ্রগী হোম সেক্রেটরি ওইরম্বা অজয় কুমার ভাল্লানা মনিপুরগী রাজ্যপাল ওইরগনি।

শ্রী ভাল্লা ১৯৮৪ বেটচগী অসাম-মেঘালয়গী আই.এ.এস. কাডরনি। মহাকা ২০১৯ গী আগষ্ট থাদগী হৌরগা চহি মঙারোম কেন্দ্রগী হোম সেক্রেটরি ওইনা থবক তৌরকখি। রাস্ত্রপতিগী সেক্রেটরিয়েটনা ঙরাং থোকখিবা হুকুম অদুগী মতুং ইন্না ভারত লান্মীগী মকোক ওইরম্বদগী থবক্তগী পোত্থারবা অমদি কেন্দ্রগী মন্ত্রিসু ওইরম্লবা জেনরেল ভি.কে. সিংহনা মিজোরামগী রাজ্যপাল ওইরগনি। কেরলাগী রাজ্যপাল ওইরিবা অরিব মহামদনা বিহারগী রাজ্যপাল ওইরগনি। অদুগা বিহারগী রাজ্যপাল ওইরম্বা রাজেন্দ্র বিশ্বনাথ আরলেকরনা কেরলাগী রাজ্যপাল ওইরগনি।

মরক অসিদা উরিষ্যাগী রাজ্যপাল-রাঘুবর দাসনা ফম থাদোকপা অদুসু রাস্ত্রপতিনা অয়াবা পীবগা লোয়ননা মিজেরামগী রাজ্যপাল ওইরম্বা ডা: হরিবাবু কন্তমপতিবু উরিষ্যাগী রাজ্যপাল ওইনা হাপখ্রে।

**সিএম (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা ফিভম হনজিলহন্দুনা হান্নগুম চাউখৎপগী লম্বীদা চংশিন্নবা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা মীয়ামদা আপিল তৌরি।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা ঙরাং নুমিদাং দাইরেক্তোরেট ওফ ইনর্ফোমেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি.আই.পি.আর) না পাব্লিস তৌবা ২০২৫ গী ৱাল কেলেন্দর অমসুং মনিপুর দাইরি ফোংবগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-বি.জে.পিনা লুচিংবা রাজ্য সরকার অসিনা মতমগী মগুন খঙনা চৎলি অমসুং অনৌবা চহি হৌদ্রিঙৈদা ৱাল কেলেন্দর অমসুং দাইরি পুথোকবা হোৎনখি।

কেলেন্দর অমসুং দাইরি মতম চানা পুথোকপা ঙমখিবগীদমক মহাকা হকশেল অমসুং আই.পি.আর. মন্ত্রি-ডা: সাপম রঞ্জন অমদি বিভাগ অসিগী কম্মিস্নার অমসুং ওফিসিএলশিংবুসু থাগৎপা ফোংদোকখি।

থৌরমদুদা ফোরেষ্ট মন্ত্রি-টি.ঐচ. বিশ্বজিৎ, ৱার্ক্স মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম, এম.এল.এশিং-সাপম কুঞ্জকেশ্বর, থোঙাম শান্তিনচিংবসু শরুক য়াখি।

**নুপী (এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী গমবিফাইদা সি.আর.পি.এফকী কাংবুনা নুপী অমা রেস্ক্যু তৌবগা লোয়ননা সেকমাই পুলিসতা শিন্নরকখ্রে।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না বিষ্ণুপুর চিংদোং লৈকাইদগী নুপী অদু সেকমাই পুলিসনা অমুক বিষ্ণুপুর পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

**খৃষ্টমাস (এল)ঃ** প্রভু যিশু খৃষ্টগী মপোক নুমিৎ খৃষ্টমাস কুম্মৈ ঙসি মালেম শিনবা থুংনা পাঙথোকরি। নীংথিনা লৈতেংলবা চর্চশিংদা লাইশোল থৌরম পাঙথোকরি। মনিপুরদসু ঙসি খৃষ্টমাস কুম্মৈ ধর্ম্মগী চৎনবী অমদি হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা পাঙথোকরি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু অমসুং উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকরনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। মহাক্কী পাউজেলদা রাস্ত্রপতিনা হায়-যিশু খৃষ্টনা তম্বীরম্বা মচিন মনাও ওইবা অমসুং মীওইবা জাতিগী য়াইফনবা তৌবা হায়বসিনা হেন্না ফবা মালেম ওইহন্নবগী লম্বী য়াৎকনি।

মহাক্কী পাউজেলদা শ্রী ধনকরনা হায়-খৃষ্টমাস কুম্মৈনা আশা, তোল্ল-তারবশিংবু নুংশিবীবা অমসুং কাংলুপ অমনা অমবু শৌগৎনবগী ৱাখল্লোন হেন্না চেৎশিলহনগনি।

মনিপুরগী রাজ্যপাল-লক্সন প্রসাদ অচ্যারিয়া অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন য়াওনা লুচিংবশিং অমদি লুপ কয়ানসু কুম্মৈ অসিগা মরী লৈননা মীয়ামদা

য়াইফ পাউজেল পীরি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়-খৃষ্টমাস কুম্মৈনা লাকপদা ঙাকপীবা, নুংশিবা অমসুং শান্তিগী ৱাখল্লোন হেন্না শন্দোকপা ওইরসনু।

মুখ্য মন্ত্রিনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়-খৃষ্টমাস কুম্মৈনা লাকপদা নুংশিবা, শান্তি অমসুং অপুনবগী ৱাখল্লোন নৌহৌননা নীংশিংহল্লি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা যিশু খৃষ্টনা তাকপীরম্বা ফজরবা ৱাখল্লোনশিং, মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা মীওইবা খুন্নাইগীদমক কৎথোকপা অমসুং নুংশি চান্নবগী ৱাখল্লোন হেন্না চেৎশিনবা ওইরসন্।

মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষা টি.ঐচ সত্যব্রতা য়াওনা মন্ত্রি কয়ানসু কুম্মৈ অসিগী য়াইফ পাউজেল পীরি।

মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট-কৈশাম মেঘাচন্দ্রগী পাউজেলদা হায়-কুম্মৈ অসিনা লাকপদা ঐখোয় খুদিংমক শান্তিগী পাউজেল পুবা মীওই অমমম ওইদুনা প্রভু যিশু খৃষ্টগী ফজরবা ৱাখল্লোনশিং ইনদুনা চৎনবা হোৎনরসি।

**পিএমঃ** লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রধান মন্ত্রি-অতল বিহারি ভাজপায়গী ১০০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি ঙসি মধ্য প্রদেসতা চৎকনি।

মহাকা খাজরাহোদা তোঙান তোঙানবা চাডখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংগী উরেপ উয়ুং তমগনি অমসুং খরগীনা শঙ্গাগনি। অতল বিহারি ভাজপায়গী ১০০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা পুথোকপা স্তাম্প অমসুং শেলয়েকসু প্রধান মন্ত্রিনা ফোংগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অসিগী অহানবা ওইনা তুরেলশিং শমহনবগী প্রোজেক্ট কেন-বেটৱা রিভর লিঙ্কিং নেসনেল প্রোজেক্টকী যাত্রা হৌনগনি। মসিনা মধ্য প্রদেস অমসুং উত্তর প্রদেসকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা ইথৈ

লৌখোংগী খুদোংচাবা ফংহনদুনা লৌমীশিংদা চাউনা কানহল্লগনি। প্রোজেক্ট অসিনা মফম অদুগী মীয়ামদা থকবা ঈশিংসু মরাং কায়না ফংহল্লগনি।

**কুম্ভঃ** হান্নগী প্রধান মন্ত্রি-অতল বিহারি ভাজপায়গী মপোক কুমওন পালনগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং লক্ষনৌদা কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ অমসুং উত্তর প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি-যোগী অদিত্যনাথনা অতল যুব মহাকুম্ভ অমসুং অতল হেলথ ফেয়ার হৌদোকখ্রে। মখোয়না লক্ষনৌদা লুপা কোতি ৬৬২ গী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট ১৮১ গী মনুংদা খরগীনা যাত্রা হুনখি অদুগা খরা অমগীনা শঙ্গাখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা ঙাকশেল মন্ত্রিনা হায়-অতল বিহারি ভাজপায়গী পুন্সি অমসুং ৱাখল্লোন অসি মীয়ামগী পুকিং থৌগৎনিংঙাইনি।

**হায়ৱেঃ** নেসনেল হায়ৱে ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়ানা নেসনেল হায়ৱেশিংদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অশোয় অঙাম থোক্তনবা অমসুং শা-ষনশিংনা অপনবা পীদনবা নেসনেল হায়ৱেশিংগী নাকলদা শা-ষনশিংগী লৈফম শানবা পাইলোট প্রোজেক্ট অমা পায়খৎলগনি।

রোড ত্রান্সপোর্ট অমসুং হায়ৱেজ মন্ত্রালয়গী চেরোল অমনা হায়-মসি শা-ষনশিংনা লম্বীদা থোরকপদগী লম্বীগী এক্সিদেন্ট থোকপা হন্থহনদুনা চৎথোক চৎশিনদা হেন্না খুদোংচাহন্নবগীদমকনি।

**এক্সিদেন্টঃ** জম্মু কাশ্মিরগী পুঞ্চ জিলাদা ঙরাং লম্বীগী এক্সিদেন্টতা লান্মীগী মীওই মঙা শিরে। অদুগা অতৈ মঙা অমনা শোক্লে।

অকাশবানি জম্মু পাউমীনা হায়-থৌদোক অদু ঘোদা পোষ্ট মনাক্তা থোকখিবনি। অশোকপশিং অদু লায়কন্নবগীদমক মনাক নকপা হোস্পিতালশিংদা পুখৎখি।

**মোলদোভাঃ** মাইয়া সান্দু রিপাব্লিক ওফ মোলদোভাগী অনিরকশুবা টার্মগী ওইনা রাস্ত্রপতিগী ফম পায়নবগীদমক ঙরাং ৱাশক লৌখ্রে।

মহাক ২০২০ দা লৈবাক অদুগী রাস্ত্রপতিগী মীখলদা মায় পাকখি অমসুং চহি অসিগী নবেম্বর থাদসু মহাকপু অমুক হন্না রাস্ত্রপতি ওইনা খনখি।

**বেদমিন্টনঃ** বেঙ্গলুরুদা পাঙথোকপা নুপা অমসুং নুপীগী ৮৬ শুবা সেনিয়ার নেসনেল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা করনাতক্কী এম. রঘু অমসুং হরিয়ানাগী দেবিকা সিহাগনা মথংশিংনা নুপা অমসুং নুপীগী টাইতল লৌরে।

নুপাগী ফাইনেলদা রঘুনা মমাংগী চেম্পিয়ন-মিথুন মনজ্নাথপু ১৪-২১, ২১-১৪, ২৪-২২ দা মায়থিবা পীখি। অদুগা নুপীগী ফাইনেলদনা দেবিকানা শ্রীয়ানসি বালিসেতিবু ২১-১৫, ২১-১৬ তা মায়থিবা পীখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

বোসেমনা লৌবা মেত্রিক ইগজাম হন্দকা অরোইবা ওইবা য়ারি-বসন্তকুমার, বোসেমগী খোঙজং চংশিল্লিবশিংদা ৱার্নিং তৌখ্রে হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক্কী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

লমদমসিদা দ্রগপু মীথায় য়োনবগুম য়োল্লকপা অসি থিংবদা লৈঙাক্তা সি.এস.ওশিংনসু মতেং পাংবীয়ু হায়বা চীফ মিনিস্তরগী ৱাফম নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ঈচেল এক্সপ্রেসকীসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল থাদোক্লগা চৎখিবা ওফিসারশিং জোইন্ট তৌহন্নবা হোৎনরি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি ।

হোম সেক্রেটরি ওইরম্বা অজয় কুমার ভাল্লা মনিপুরগী গভনর হাপখ্রে হায়বা পাউ সনা লৈবাক অমসুং পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা

হেদলাইন ওইরি।

মিনিষ্ট্রিনা নেসনেল হায়ৱেশিং ষ্টেটকী পি.ডব্লিয়ু.ডিদগী লৌথোক্লগা সেন্টরনা হকথেংননা পায়শিনবা থৌরাং হৌখ্রে হায়বা পাউ মনিপুর ন্যুজগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

কন্সটিট্যুসনগী প্রোভিজন অমত্তা ভাইওলেট তৌবা লৈতে হায়বা লো মিনিস্তরগী ৱাফম ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

অমিত সাহনা ডা: অম্বেদকরবু করেম কন্থাইনখিবগী মায়োক্তা কংগ্রেসনা প্রসিদেন্টতা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

নৌনা খল্লবা পুলিসশিংনা শান্তি পুরকবা পুন্না থবক তৌমীন্নগনি হায়বা পাউ মোরনিং বেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।